# আই লীগকী রন্নর্স-অপ তাখ্রবা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ০৯ (ঐচএনএস) : হিরো আইলীগ২০১৭-১৮দা অহানবা ওইনা শরুক য়ারগা রন্নর্স-অপ তারকখ্রবা নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ঙসি নুংথিল ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে।

নেরোকা এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী হেক থোক্লকপগা মীয়াম্না লৈ পরেংশিং হুত্তুনা শান্নরোয়শিং অসিবু তরাম্না ওকখি। শান্নরোয়শিং অসিবু তরাম্না ওকখিবা অদুদা নেরোকা এফ সীবু শৌগৎপা অমদি ফুটবোল মশান্নবু নুংশিবা মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না শরুক য়াখি।

ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলরবা মতুং নেরোকা এফ সীগী মেনেজর থাংজম অরুনকুমারনা হায়খি, নেরোকা এফ সীনা অহানবা ওইনা আই লীগ অসিদা শরুক য়ারগা রন্নর্স-অপ তারকখিবা অসি অদুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওই। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা ক্লবশিংনা অসিগুম্লবা মখলগী অৱাংবা থাক্কী কম্পিটিসনশিং অসিদা মখা তানা শরুক য়াবা ঙম্লক্লগনি হায়বগী থাজবসু থম্লি। নেরোকা এফ সীনা আই লীগ অসিদা রন্নর্স-অপ তারকপা অসিনা লমদম অসিদা ফুটবোল মশান্নগী ওইবা তোঙানবা ইনোৎ অমসু শোয়দনা পীরগনি খল্লি। আই লীগ অসিদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা নেরোকা এফ সীনা মায় পাক্লবগীদমক চঙশিল্লকখিবা খোঙথাং খুদিংমক্তা লমদমসিগী মীয়াম্না মপূং ফানা সপোর্ট তৌবিখি। মদুগীদমক্তসু পুন্নমকপু থাগৎলি। মতুং তারকপদসু নেরোকা এফ সীনা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীননবা অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। নেরোকা খক নত্তনা লমদমসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংনসু লৈবাক অসিগী ওইনা পাঙথোক্লিবা ফুটবোল মশান্নগী অৱাংবা থাক্কী কম্পিটিসন-শিংদা শরুক য়াবদা নত্তনা মায় পাকপা পুরকপা ঙমসনু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হিরো আই লীগ ২০১৭-১৮গী ফাইনেল রাউন্দগী ঙরাং শান্নখিবা মেচতা নেরোকা এফ সী অমসুং ইষ্ট বেঙ্গল গোল ১-১দা দ্রো চৎখিবনি। মেচ অদুদা দ্রো চৎলবা মতুং নেরোকা এফ সীনা পূন্না মেচ ১৮ শান্নবদা মেচ ৯ মায় পাক্লগা মেচ মঙানা দ্রো অমসুং মেচ মরিনা মায়থীবা নংলগা পূন্না পোইন্ট ৩২ ফংলগা রন্নর্স-অপ তাহৌখিবনি। অদুগা মিনরভা এফ সীনা পূন্না পোইন্ট ৩৫ ফংলগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# আর এফ সী-বি খম্নাম লৈরক অমসুং লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোক ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ০৯ (ঐচএনএস): পাৎশোই টুলিয়াইমা সেঞ্চুরি ক্লব (পি টি সী সী) না শিন্দুনা পাৎশোই পার্ট থ্রিগী ফুটবোল গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা আর এফ সী-বি খম্নাম লৈরক অমসুং লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোক থেঙ্গাইনরগনি।



তোঙান তোঙানবা টিম ১২না শরুক য়াদুনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা আর এফ সী-বি খম্নাম লৈরক অমসুং এ স্কার পাৎশোই পার্ট ৱান শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখি। মেচ অদু আর এফ সী-বি খম্নাম লৈরক্না এ স্কার পাৎশোই ৱানবু গোল ৭-৬তা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙখিবনি।

আর এফ সী-বি খম্নাম লৈরক্কী মায় পাকপগী গোলশিং অদু সুসিলনা মেচকী ৩শুবা, ১২শুবা, ১৭শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনিটতা গোল ৪, দয়ানা মেচকী ২১শুবা অমসুং সোভানা মেচকী ৩৯শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখিবনি। মায়থীহৌরবা এ স্কার পাৎশোই ৱানগী গোলশিং অদুনা চিখাক্লা মেচকী ১৮শুবা অমসুং ৫২শুবা অমদি চাউবনা মেচকী ৫৭শুবা অমসুং ৫৯শুবা মিনিটতা গোল ২/২ চনখি। অদুগা ননাওনা মেচকী ৩৫শুবা অমসুং প্রবিন্না মেচকী ৪৪শুবা মিনিটতা গোল অনী চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি লনচেনবী এফ সী তাওবুংখোক অমসুং পি টি সী সী - এ পাৎশোই পার্ট থ্রি শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা বোল কাওনখি। অহানবা হাফকী অহুমশুবা মিনিটতা পি টি সী সী-এগী জর্সি নম্বর ১৩ মহেসনা গোল অমা চনখি। মহেসনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না ঙন্না গোল ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি। মেচকী ১৩শুবা মিনিটতা পি টি সী সী -এগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ হেম্বনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু গোল ২-০দা লৈহনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী পি টি সী সী-এগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। মেচ অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পি টি সী সী -এনা গোল ২-০দা মাঙজিল থানা চৎখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা লনচেনবী এফ সীগী মায়কৈদগী হান্নদগী য়াঙনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ৪৬শুবা মিনিটতা লনচেনবী এফ সীগী জর্সি নম্বর ৭ জেনিসনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-২ দা লৈহনখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা লনচেনবী এফ সীনা পি টি সী সীগী অহেনবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি। মেচ অদু পি টি সী সী-এনা গোল ২-১দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

সেমী ফাইনেল মেচশিং অদু হৌদোকপগী থৌরমদা পাৎশোই এ সীগী এক্স এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশ্বর (কেবা) না চীফ গেষ্ট, পি টি সী সীগী চীফ এদভাইজর ওইবদা নত্তনা রিটয়ার্দ হেদ মাষ্টর নাওসেকপম কোমোলনা প্রসিদেন্ট অমসুং পি টি সী সীগী এদভাইজরসু ওইরিবা এক্স জেনরেল সেক্রেটরি অকোইজম অচৌবা অমদি পি টি সী সীগী এক্স প্রসিদেন্ট হৈস্নাম মোধুচন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# দি এস য়ু ক্লাকৈথেলনা কে এস সী লম্বুলেন্দ মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিএসন্না শিন্দুনা ওরিয়েন্টেল কোলেজ অমসুং মোদেল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা তরুকশুবা টি -২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা মেচতা দি এস য়ু ক্লাকৈথেলনা কে এস সী লম্বুলেন্দবু রন ১৪দা মায়থীবা পীখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ৬শুবা টি-২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮গী মরিশুবা মেচ ওইনা দি এস য়ু ক্লাকৈথেল অমসুং কে এস সী লম্বুলেন্দ শান্নখি। মেচ অদু দি এস য়ু ক্লাকৈথেলনা টোস ঙমদুনা বেট্টিং তৌখি। অহানবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা দি এস য়ুনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১২৫ লৌখি। দি এস য়ুগী অমরজিৎনা বোল ৩৫দা রন ৪৪, গ্যানেশ্বরনা বোল ৩৮দা রন ৪৬ অমসুং জিতেন্না বোল ১৯দা রন ১৪ লৌখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেট্টিং তৌখিবা কে এস সী লম্বুলেন্দনা ওভর ২০দা ৱিকেট ৯ তুরগা শুপ্নতগী রন ১১৪ লৌদুনা দি এস য়ু ক্লাকৈথেলগী মখূৎতা রন ১৪দা মায়থীবা নংখি। কে এস সী লম্বুলেন্দগী লেলেন্না বোল ৩২দা রন ৪৫, গৌমিনলুন্না বোল ১৩দা রন ১৪, নিংহোরনা বোল ২০দা রন ১২ অমসুং মোনপিনা বোল ১৩দা রন ১০ লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচতা দি এস য়ু ক্লাকৈথেলগী গ্যানেশ্বরনা বোল ৩৮দা রন ৪৬ লৌদুনা মেন ওফ দি মেচ তাখি।

তরুকশুবা টি -২০ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চৎথরকপা মেচ ওইনা হয়েং অয়ূক পুং ১১ তাবদা মোদেল বি চীংঙামখা অমসুং সাইক্লোন থাংমৈবন্দ শান্নগনি।

HL-B/4500/17/2-22April(alt.)


# EMPLOYMENT NEWS


| SL No | POST | QUALIFICATION | AGE | BRANCH | VAC |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Computer Operator | Graduate (DTP/TALLY) | 20-30 | H.Q | 3 |
| 2 | Cashier/Accountant | B.COM With TALLY | 25-30 | H.Q | 2 |
| 3 | Office Asst. | Graduate - Any Stream (Computer Knowledge) | 20-30 | Samurou,Kakching,Thoubal , Moirang,Nambol | 2+2+2+ 2+2+2 |
| 4 | Driver (Car&Truck) | 3 to 5 yrs. Experience | 20-30 | H.Q | 5 |
| 5 | Mechanic (2/W) | VIII Passed | 20-30 | H.Q | 4 |
| 6 | Grade-IV | VIII Passed | 20-30 | H.Q | 3 |
| 7 | Security/Gunman | VIII Passed | 20-30 | H.Q | 3+3 |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 1st March 2018.

L.G.MOTORS ( H.Q), KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL-WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Please contact:- 8731978490

BRANCHES:- SEKMAI KOUJENGLEIMA, SAMUROU NEAR MACHU HALL, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, NAMBOL PHOIJING LAMBAN, MOIRANG PATLOU.







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com